## ফিলিপিন্সকী প্রোভিন্সতা য়ুহা ৪ হাখ্রে

মনিলা, এপ্রিল ০৮ :

ফিলিপিন্সকী বাতাঙ্গস প্রোভিন্সতা থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা য়ামদ্রবদা মপাঙ্গল লৈরবা য়ুহা হাবা মরি থোকখিবগা লোয়ননা মেট্রো মনিলা য়াওনা মনাক নকপা প্রোভিন্স কয়া নিকহনখ্রে।

মেগনিচ্যুদ ৬ য়ৌবা অমা য়াওনা য়ুহা হাবা মরিদু অমগা অমগা মতম পংকান কানদনা থোকখি হায়রি।

ফিলিপিন ইন্সটিট্যুট ওফ ভোলকেনোলোজি এন্দ সাইজমোলোজি (ফিভোলকস) কী মতুং ইন্না, মেগনিচ্যুদ ৬.৬ য়ৌবা অহানবা অকনবা ত্রেমর অদু নুংথিল পুং ৩.০৭ তা থোকখি। মসিগী এপিসেন্টরনা মাবিনি, বাতাঙ্গসকী অৱাং নোংচুপতা কিলোমিটর অনী লাপ্পা লৈখি। মিনিট অনী লৈরগা মেগনিচ্যুদ ৬ য়ৌবা খরা হেন্না কনবা অমা অমুক মবিনিগী নোর্থ ৱেষ্টতা কিলোমিটর ১২ লাপ্পা মফমদা থোকখি।

মেগনিচ্যুদ ৪.১ গী অহুমশুবা য়ুহা হাবা অমসু নুংথিল পুং ৩.২৯ দা থোকখি। মেগনিচ্যুদ ৪.৭ গী মরিশুবা য়ুহা হাবা অমনা নুংথিল পুং ৪.৩৬ তা থোকখি।

য়ুহা হাবশিংদুনা মরম ওইদুনা থাংজ নুমিৎতা স্কুল কয়ামুক ক্লাসশিং লেপখি তৌইগুম্বসুং সুনামি ৱার্নিং অমত্তা ইস্যু তৌখিদে।

# ‘ক্রুজ মিসাইল এটেক মতুংদা য়ু এসনা সিরিয়াগী মথক্তা অহেনবা মিলিটরি এক্সন লৌখৎনবা শেম শাদুনা লৈ’

য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ০৮ :

অমেরিকানা সিরিয়াগী মথক্তা ক্রুজ মিসাইল কয়া কাপখ্রবা মতুংদা অহেনবা মিলিটরি এক্সন লৌখৎনবা শেম শাদুনা লৈ, তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী তঙাই ফদবা লাক্লোই হায়না থাজে হায়না য়ু এনদা লৈবা য়ু এসকী অম্বেসেদরনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



টেন্সন মরক্তা কৌখিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ইম্মরজেন্সি মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা নিক্কি হেলিনা হায়খি, প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদনা মশামক্কী মীয়ামগী মায়োক্তা কেমিকেল খুৎলায় শীজিন্নরগা ইকোম কোম্না নান্থোকপা য়াগনি হায়না খল্লি, মরমদি মহাক্না তৌবা থবক খুদিংমক রসিয়ানা শৌগৎকনি হায়না মহাক্না মতম পুম্বদা থাজখি।

‘মদুগী ফীভমদু হৌখিবা অহিংদা হোংহনখ্রে’ হায়না মহাক্না সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী এয়রবেজ অমদা চথখিবা ক্রুজ মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদুদা রিফরেন্স পীরদুনা হায়খি।

মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদু অশাদকী রেজিমনা চথখিবনি হায়বা পোইজন গ্যাস এটেক্কী পাউখুম ওইনা পাঙথোকখিবনি। রেজিমগী ফোর্সশিংনা চথখিবনি হায়রিবা গ্যাস এটেক অদুদা অঙাংশিং য়াওনা মীচম ৮০ শিখিবনি।

য়ু এসকী ট্রেজরি সেক্রেটরি ষ্টেভন মন্যুচিননা হায়খি, য়ু এসনা হৌজিক অসিগুম্বা মখলগী এক্টিভিটি (কেমিকেল খুৎলায় শীজিন্নবা) থিংনবা কন্না হোৎনরিবসিগী শরুক অমা ওইনা পংকুই কুইদবা মতমগী মনুংদা সিরিয়াগী মথক্তা অহেনবা সেঙ্কসনশিংসু লাউথোক্লগনি। মসিনা অসিগুম্বা থবকশিং অসি ঐখোয়না কয়াম্না লুনা লৌবগে হায়বা উৎলি।

বৃটিশ এম্বেসেদর মাথিয়ু রিক্রোফটনা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অদুদা প্রসিদেন্ট অশাদনা মালেমদা অকি-তুজুং পোকহনবগী মায়ওন অমা পুথোকপা ঙম্মী হায়বসি উৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না য়ু এসনা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদু ৱাহৈনা ফোঙদোকপদা ৱানা থোক্লবা ফৎত্রবা থবকশিংগী মতিক চাবা পাউখুম্নি হায়খি।

মহৌশাগা ইমান মান্নদবা মওং অমদা রসিয়াগী মীহুৎনা রিক্রোফটপু মথৌগা চানদবা অর্গ্যুমেন্টশিং শীজিন্নে অমসুং ওইদবা ঙাঙই হায়না মরাল শীখি। মহাক্না মীফমদু লোইবদা ৱা ঙাঙনবগী অনীশুবা তাঞ্জা অমা পীনবসু হায়জখি অমসুং হেলিদা মহাক্কী লৈবাকপু ঈকায়বা পীদনবা হায়খি।

সিরিয়া অমসুং লিবিয়াগী অম্বেসেদরশিংগা লোয়ননা রসিয়ন অম্বেসেদর অসিনা মরন্নাই ৱারেপ লৌদুনা মিলিটরি ইন্টরভেন্সন তৌখিবসি য়ু এন চার্টরগী মায়োক্তনি অমসুং ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাউনৈ হায়খি।

য়ু এসনা মশা ঙাকথোকচনবা মওংদা থবক তৌখিবা নত্তে অমসুং মালেমদা পিছ অমসুং ষ্টেবিলিটি কায়হন্দনবগী থবক শীন্নরিবা য়ু এনগী বোদি সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী অয়াবসু লৌখিদে হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

হ্বাইট হাউসনা লৈবাক অনীগী মরী পুংমাঙ মাঙহল্লে হায়না রসিয়ানা ফোঙদোকখি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না ইরাই নুমিৎকী এয়রষ্ট্রাইকশিংগী মতাংদা রসিয়ানা উৎলকখিবা থৌওংদু নিংবা কায়নিঙাইনি তৌইগুম্বসুং ঙক্লদি থোক্তে হায়খি।

মেদিটরিনিয়ন সিদা লৈবা ৱারসিপ অনী - য়ু এস এস পোর্টর অমসুং য়ু এস এস রোসতগী সিরিয়াগী হোমস সিটিগী মনাক্তা লৈবা গভর্ণমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা সায়রাট এয়রফিল্ডদা টার্গেট তৌদুনা টোমহোক মিসাইল ৫৯ কাপখিবনি। মিসাইলশিং অদুনা সিরিয়ন এয়রক্রাফট অমসুং ফ্যুঅল ষ্টেসনশিং য়াওনা টার্গেট কয়ামুক্তা হিট তৌখিবনি।

## মালালা য়ৌসফজাইনা য়ু এনগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবী মেসেঞ্জর ওফ পিছ ওইরগনি

য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ০৮ :

নোবেল প্রাইজ ফংলবী মালালা য়ৌসফজাইনা য়ু এনগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবী পিছকী মেসেঞ্জর ওইরগনি। ৱর্ল্ড বোদি অসিনা গ্লোবেল সিটিজন অমদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা ঈকায় খুম্নবা অসিগীদমক্তা মহাকপু সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা খনখিবনি।

মালালাবু পিছকী মেসেঞ্জর ওইরে হায়না হৌনবী মতুং ইন্না লাউথোকপগী থৌরম অদু মথং চয়োলদা য়ু এনগী হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোক্কনি।



‘কা হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওইবা ফীভম মরক্তা ফাওবা মালালানা নুপীশিং, নুপীমচাশিং অমসুং মীওই খুদিংমক্কী হকশিংগীদমক্তা পূক্নিং চোইদনা খোঙফম চেৎনা লেপখি’ হায়না সেক্রেটরি জেনরেলনা দেজিগনেসন অদুগীদমক্তা য়ৌসফজাইবু খনবগী মতাংদা হায়খি।

নুপীমচাশিংবু মহৈ-মশিন তম্বা ফংহন্নবগীদমক্তা মহাক্না মথৌনা লৈনা হোৎনখিবশিংনা মালেমগী মীওই কয়াদা পাঙ্গল হাপখ্রে হায়না ফোঙদোক্লদুনা সেক্রেটরি জেনরেলনা হায়খি মদুদি, য়ুনাইটেদ নেসন্সকী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা পিছকী মেসেঞ্জর ওইনা মহাক্না হেন্না চুম্বা মওং-মতৌ উৎপা অমসুং পিছফুল ওইবা মালেম অমা শেম্বদা মতেং পাংনবা অহেনবা থবক কয়াসু পাঙথোকপা ঙম্লগনি।

পাকিস্তানি এদ্যুকেসন এক্টিভিষ্ট অসি টালিবান্না চথখিবা শাথিরবা এটেক্তা হিংহৌখি অমসুং মালেমগী মফম কয়াদা মহৈ-মশিন তম্বা ফংদনা লৈরিবা নুপীমচা মিলিয়ন কয়াগী লমজিং মৈরা ওইরকখি।

কুমজা ২০১৩ দা য়ৌসফজাই অমসুং মহাক্কী অপোকপা জিয়াউদ্দিন য়ৌসফজাইনা মালালা ফন্দ লিংখৎমিন্নদুনা নুপীমচাশিংনা মহৈ তম্বনা পীরিবা সোসল অমসুং ইকনমিক ইমপেক্টকী মরমদা মীয়ামদা মরু ওইনা নুপীশিংদা খঙহনখি অমসুং নুপীমচাশিংদা অহোংবা পুরক্লবা দিমান্দ তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল হাপখি।

মহাক কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বরদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ওইনা নোবেল প্রাইজ ফংবী মীশক ওইরকখি। প্রাইজ অসি মহাক্না ইনিদয়াগী অঙাংশিংগী হকশিং অমসুং এদ্যুকেসনগীদমক্তা হনবা নাইদনা থবক তৌরকখিবা কাইলাস সৈত্যার্থিগা স্যের তৌমিন্নখি।

## স্বিদেনদা ওথোরিটিশিংনা এটেক্কী সসপেক্ট ফারে হায়খ্রে

ষ্টোকহোম, এপ্রিল ০৮ :

স্বেদিশ কেপিটেলগী মী চিনবা ষ্ট্রীট অমদা মীয়ামদা থৌজিন্দুনা মীওই মরি হাৎখিবা অমসুং অতে ১৫ বুনা শোকহনখিবা হাইজেক তৌরকখিবা বীয়র ট্রক অদুগী দ্রাইভরদু মখোয়না ফারে হায়না স্বেদিশ পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

‘ফারিবসি মহাক শোয়দনা ওইবা য়াই’ হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন লার্স বিষ্ট্রোমনা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা ফোঙদোকখি। সসপেক্ট অদু য়ুজবেকিস্তানদগী চহী ৩৯ শুরবা মীওই অমনি হায়বা স্বেদিশ মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতাংদা মহাক্না কম্মেন্ট পীখিদে।

ঙরাংগী ট্রক এটেক অদুগা মরী লৈননা কনামক্তনা খুদক্তা ক্লেম তৌরকপা লৈখিদে। ঙসি অঙনবদা প্রোসিক্যুটর হান্স ইহরমননা হায়খি মদুদি, মহাক মীওই কয়া হাৎপগী টেররিষ্ট ওফেন্সশিংগী সসপেক্ট অমনি হায়না হৌনবী মতুং ইন্না আইদেন্টিফাইদ তৌরে অমসুং লৈবাকপোকপগী নুমিৎ য়ুংবগী মমাঙদা মহাক প্রি-ট্রাইঅল কষ্টদি হিয়ারিং তৌগনি নৎত্রগা থাদোক্কনি।

বিষ্ট্রোমনা পুলিসনা ট্রকতুদা এক্সপ্লোসিভশিং য়াওবা বেগ অমা ফংলে হায়বা মিদিয়া রিপোর্টশিং কনফার্ম তৌখিদে নৎত্রগা চুমদে হায়খিদে।

‘ঐখোয়না ফাগৎপা পোৎ-চৈশিংগী মতাংদা মহৌশানা ঐখোয়না কম্মেন্ট পীদে’ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ষ্টোকহোমগী কালোলিনস্কা হোস্পিটালনা ফোঙদোকখিবদা এটেক অদুদা শোকখিবশিংগী মরক্তগী মীওই তরুক থাদোকখ্রে অমসুং মীওই নিপান অমসুং অঙাং অমা মখা তানা হোস্পিটালদা লৈরি।

## ‘ত্রম্প-জিনপীং সম্মিটনা লুচিংবা অনী শকখঙনবা নত্তনা অহেনবা এনাউন্সমেন্ট পুথোকখিদে’

ৱাশিংটন, ফ্লোরিদা, এপ্রিল ০৮ :

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা চয়োল অসিদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংগা অহানবা ওইনা উনরিবসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইকনমি অনীগী লুচিংবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা শকখঙ-মায়খঙননবগী তাঞ্জা অমনি হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মসি ত্রম্পকী মার-অ-লাগো রিজোর্টতা পুং ১৮ লোম পুনমিন্নরবা মতুংদা মখোয়না পুরকখিবা ফীভমনি হায়রি। চাইনিজ প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ অদু দিন্নর মনুংদা সিরিয়াদা য়ু এসনা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকনা অপনবা খরা থোকহনখি। ত্রেদ নৎত্রগা ইনভেষ্টমেন্টকী দিলশিং লাউথোকখিদে। নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র এম্বীসনশিং লাকশিন্নবগী মতাংদা য়ানবা লৈখিদে লোয়ননা সাউথ চাইনা সিদা টেন্সন হন্থহন্নবগী থৌরাংসু লৈখিদে।

‘ঐখোয়গী (লৈবাক অনীগী) ইকনমিক ইন্টরেষ্টশিং য়াম্না মান্নে অমসুং মখোয়না নাখে শেংনা ঐখোয়গা পুন্না থবক তৌমিন্নবা পাম্বা এরিয়া কয়ামুকসু লৈ’ হায়না ট্রেজরি সেক্রেটরি ষ্টেভন মন্যুচিননা পাউমীশিংদা হায়খি। ‘ঐখোয়গী পান্দমদি মখোয়দা ঐখোয়গী এক্সপোর্টস হেনগৎহনবনি।’

কম্মর্স সেক্রেটরি ৱিলবর রোসনা হায়খি মদুদি, ‘ঐঙোন্দা খ্বাইদগী নুংঙাইনিঙাই ওইরিবদি মখোয়না মখোয়গী নেট ত্রেদ বেলেন্স হন্থহন্নিংবগী অপাম্বা উৎলকখিবসিনি। মসি অসিগুম্বা ফীভমনা মণি সপ্লাই অমসুং ইনফ্লেসনদা চৈথেং পীবদগীনি। মখোয়না ৱাফমসি পনবা তাবসি মসিনা অহানবনি।

চাইনাগী লুচিংবশিংনা মখোয়গী লৈবাক্না য়ু এসকা ত্রেদ দেফিসিট চাউনা লৈরকখিবগী ফীভম তশেংনা লুনা লৌদুনা লাকখি হায়রি। ত্রেদ দেফিসিট অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা দোল্লর বিলিয়ন ৩৪৭ য়ৌখি। ত্রেদকী মরমদা খন্ননবগীদমক লৈবাক অনীনা নুমিৎ ১০০ নিগী প্লান অমা য়ানরে হায়না রোসনা ফোঙদোকখি, তৌইগুম্বসুং অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

সম্মিট অদু কুমজা ২০১৩ গী জুনদা সি অমসুং প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী মরক্তা কালিফোর্নিয়াগী রাঞ্চো মিরাজদদা লৈবা সনিলেন্দসতা চথখিবা সম্মিট অদুগা মওং-মতৌ অমসুং রিজল্টশিংদা মান্নখি।

সম্মিট অদুদসু মশক থোকপা এনাউন্সমেন্টশিং পুথোকখিদবনি। তৌইগুম্বসুং ত্রম্পনা সিগা অহানবা ওইনা উনবসিদি সিরিয়াদা য়ু এসনা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং চথখিবা য়েংলগা দ্রামা খরদি য়াওই হায়বা য়াই হায়রি।

## মিসাইল ষ্ট্রাইক চথদ্রিঙৈ মমাঙদা সিরিয়ন ফোর্সশিংদা মাঙজৌননা ৱার্নিং লাকখি

দমাস্কস, এপ্রিল ০৭ :

ইরাই নুমিৎতা সায়রাট এয়রবেজদা য়ু এসনা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং চথদ্রিঙৈ পুং খরগী মমাঙদা অমেরিকান মিলিটরি এক্সনদুগী মতাংদা সিরিয়াগী আর্মদ ফোর্সশিংদা মাঙজৌননা চেকশিন্নবা খঙহল্লকপা লৈখি হায়না মিলিটরি ছোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

‘অমেরিকাগী থ্রেট অমসুং সিরিয়াগী টেরিটরিদা লেপ্তুনা অমসুং শাংনা চথরক্কদৌরিবা মিলিটরি ষ্ট্রাইকশিংদুগী মরমদা ঐখোয়না মাঙজৌননা খঙখি’ হায়না ছোর্স অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

‘সায়রাট এয়রবেজ য়াওনা ঐখোয়না মিলিটরি পোইন্ট অমদগী হেনবা মফমশিংদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি। ঐখোয়না এয়রপ্লেন কয়া অতৈ মফমশিংদা হোংদোকখি’ হায়রদুনা ওফিসল অদুনা ষ্ট্রাইক অদু চথগদবা পুং খরগী মমাঙদা মখোয়দা ৱার্নিং পীরকপা লৈখি হায়খি।

মহাক্না প্লেনশিংদু মফম কদায়দা পুথোকখিবগে নৎত্রগা কনানা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টদা ৱার্নিং পীরকখিবগে হায়বদু শেংনা ফোঙদোকখিদে।

অমেরিকান ফোর্সশিংনা অহিং অমদা সেন্ট্রেল সিরিয়াগী সায়রাট এয়রবেজদা ক্রুজ মিসাইল ৫৯ কাপশিনখি। মদু প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী ক্রুপশিংগী মায়োক্তা য়ু এসনা হকথেংননা মিলিটরি এক্সন লৌখৎপা অহানবনি। য়ু এসকী ওফিসলশিংনা হায়খি, হেন্না চাউবা ক্রাইসিস অমা থোকহল্লকপা য়াবা মওংদা রসিয়ন ফোর্সশিংদা মীশি-মীনাশিং থোকহন্দনবগীদমক্তা সিরিয়াদা লৈরিবা রসিয়াগী মিলিটরিদা মাঙজৌননা পাউপীখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মাঙজৌননা ৱার্নিং পীরকখি হায়বা ৱাফম ক্রেমলিননা কনফার্ম তৌখি তৌইগুম্বসুং বেজদুদগী রসিয়ন লান্মীশিং হোংদোকখিবা লৈব্রা হায়বগী মতাংদদি করিমত্তা ফোঙদোকখিদে। সিরিয়ন মিলিটরি ছোর্সকী মতুং ইন্না, ষ্ট্রাইক অদুনা প্লেন মাপন সার্ভিস য়াহনখিদ্রে। মখোয়গী মনুংদা প্লেন খরদি মপুং ফানা থুগায়খ্রে।

## অচৌবা অষ্টেরোইদ অমা আর্থকী মনাক নক্না পাইগনি



ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৮ : চহী ৩ লোমগী মমাঙদা থেংনদুনা পুথোকখিবা আর্থকা নক্লবা খরা চাউবা মখলগী অষ্টেরোইদ অমা এপ্রিল ১৯ দা খুদোংথীবা অমত্তা থোক্তনা আর্থকী মনাক নক্না পাইগনি হায়না নাসানা ফোঙদোকখ্রে।

মিটর ৬৫০ রোম চাউবা স্পেস রোক অসি কিলোমিটর মিলিয়ন ১.৮ রোম নৎত্রগা আর্থতগী থা ফাওবগী অরাপ্পগী শরুক মরি লাপ্পা মফমদা পাইখিগনি।

অষ্টেরোইদ অসিগা ঐখোয়গী প্লানেটকা থেঙ্গাইনবা য়াবগী ফীভম লৈত্রবসু মসিগুম্বা সাইজগী অষ্টেরোইদ অমনা লাক্লিবা লন্বী অসি ঐখোয়গা (আর্থকা) য়াম্না নক্লগনি হায়রি।

২০১৪ জে ৩২৫ হায়না খঙনবা অষ্টেরোইদ অসি কুমজা ২০১৪ গী মেদা টক্সন, অরিজোনাগী মনাক্তা লৈবা কাটালিনা স্কাই সর্ভেগী অষ্ট্রোনোমরশিংনা থেংনখিবনি। সর্ভে অদু নাসাগী এন ঈ ও (নিয়র আর্থ ওবজেক্ট) ওভজার্ভেসন প্রোগ্রামনা য়ুনিভর্সিটি ওফ অরিজোনাগা খুৎশম্ন রগা পায়খৎপা প্রোজেক্টনি।

সাইন্টিষ্টশিংগী মতুং ইন্না অষ্টেরোইদ অসিগী লৈমায়না মঙাল থাক্তোকপা ঙম্বগী চাং অসি থাগী লৈমায়না থক্তোকপদগী শরুক অনী হেল্লি। অষ্টেরোইদ অসি নুমিৎকী মায়কৈদগী আর্থ তম্না পাইরক্কনি অমসুং এপ্রিল ১৯ গী মতুংদা অহিংগী মতমদা অতিয়াদা উবা ফংগনি।

## ত্রম্পনা সিরিয়াগী টেররিষ্টশিংবু পূক্নিং থৌগৎলে : ইরান প্রসিদেন্ট

টেহরান, এপ্রিল ০৮ :

‘টেররিষ্টশিং’না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পপু সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী এয়রবেজ অমদা মিসাইল ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোকখিবগীদমক্তা খুবাক খুদুনা থাগৎনখ্রে হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হশন রৌহামিনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং রৌহানীনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নোর্থ ৱেষ্টর্ন সিরিয়াগী রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা টাউন অমদা কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা এটেক তৌখি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বারি অমা চথনবা লৈবাক কয়ানা আপিল তৌববুদি মহাক্না য়ানিংবা ফোঙদোকখি।

ত্রম্পনা এটেক অদু দামাস্কসকী রেজিমনা পাঙথোকখিবনি হায়না মরাল শীখিবনি।

হৌজিক অমেরিকাদা ওফিস পায়রিবা নুপা অসিনা মহাক টেররিজম থেংনবা পামই হায়না ক্লেম তৌখি তৌইগুম্বসুং ঙসিদি সিরিয়াগী টেররিষ্ট খুদিংমক্না য়ু এসকী এটেক অদুবু সেলেব্রেট তৌনরি হায়না ষ্টেট টেলিভিজননা শন্দোকখিবা স্পীচ অমদা রৌহানিনা হায়খি।

‘করিগীদমক্তা টেররিষ্টশিংগা লাল শোক্লরিবা সিরিয়ন আর্মিদা নহাক্না এটেক তৌরিবনো। করম্বা লো নৎত্রগা ওথোরিটিগী মখাদা নহাক্না মনিং তম্বা লৈবাক অসিদা নখোয়গী মিসাইলশিং কাপশিনখিবনো।’

ইরান অমসুং রসিয়া অসি সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী খ্বাইদগী নক্লবা মীচংশিংনি। মখোয়না মঙোন্দা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমসুং হান্নগী অল-কাইদাগী এফিলিয়েট ফাটেহ-অল-সাম ফ্রন্টকুম্বা জিহাদিষ্টশিংগী মায়োক্তদা নত্তনা অতৈ রেবেলশিংগী মায়োক্তসু মিলিটরি সপোর্ট পীখি।

## আই এস আই এস শৌগৎপা হেক্করশিংনা য়ু এস, য়ু কেদগী হাৎকদবা মীওই ৮,৭৮৬ কী লিষ্ট ফোঙখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৮ : ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা হেক্করশিংনা অয়াম্বনা য়ু এস অমসুং য়ু কেদগী ওইবা হাৎকদবা মীওই ৮,৭০০ হেনবগী ‘কিল লিষ্ট’ অমা রিলিজ তৌখ্রে। ওনলাইনদা থাগৎলকখিবা কিনিঙাই ওইরবা ভিদিও অমদা টার্গেটশিং অসিদা লন্নাই মীওইশিংনা এটেকশিং পাঙথোক্লবা আপিল তৌখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

য়ুনাইটেদ সাইবর কলিফেট (য়ু সি সি) হায়না খঙনবা হেক্করশিংদুনা ভিদিওদুবু য়েংলিবশিংদা ‘লিষ্টতা য়াওরিবা মীওইশিংদুবু থেংনবা মফমদা হাৎননবা ওর্দর তৌখ্রে’ হায়না ফোক্স ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

মিনিট ৬ য়ৌনা শাংদবা ভিদিও অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চেকশিন-ৱা হায়বগা লোয়ননা হৌই হায়রি।

‘ঐখোয়না য়ু এসকী মীয়ামদা খ্বাইদগী মরু ওইনা নখোয়গী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পতা পাউজেল অমা পীরি’ হায়না ভিদিওদুদা উৎখিবা টেক্সনা হায়খি।

প্রাইভেট মেসেজিং এপ টেলিগ্রামদা থাগৎপা পোষ্ট অদুদা গ্রুপ অদুনা অহানবদা হাৎকদবা মীওইশিংদুগী মমিংশিং ফোঙলগনি হায়না চেকশিন-ৱা হায়খি। মিনিট ১০ রোমগী তুংদা হেক্করশিংদুনা মীওই ৮,৭৮৬ কী মমিংশিং অমসুং লৈফমশিংগী থাঙ্গৈশেংবা লিষ্ট অদু থাগৎলকখি।




## ꯁꯤꯡꯇꯧꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### SPMCIL Recruitment – Security Printing and Minting Corporation of India Limited – 141 Junior Technician Vacancies – Last Date 01 May 2017

**SPMCIL Recruitment 2017**

India Government Mint, Hyderabad invites application for the post of 141 Junior Technician at W-1 level. Apply Online before 01 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 01/17

**Job Details :**

Post Name : Junior Office Assistant
No of Vacancy : 141 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1800/-

**Trade wise Vacancies :**

Fitter : 99 Posts
Tool & Die Maker Trade : 02 Posts
Forger & Heat Treatment : 02 Posts
Lab Asstt. /Inst. Mech. Chemical : 06 Posts
Driver Cum Mechanic : 04 Posts
Electrical /Electronics : 05 Posts
Mill Wright/ Mill Wright Mech : 09 Posts
Machinist : 03 Posts
Turner : 04 Posts
Welder : 01 Post
Plumber : 04 Posts
Mason (Building) : 02 Posts

**Eligibility Criteria for SPMCIL Recruitment :**

Educational Qualification : 10th pass with Full time ITI Certificate in respective Trade from a recognized Board/ Institute or Equivalent.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and Maximum age limit is 18 to 25 years as on 01.04.2017
Age Relaxation : For OBC Candidates 03 years, For SC/ST Candidates 05 years & For PH Candidates 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** The process of selection shall be Online written examination.

**Application Fee :** Candidates have to pay for Rs. 400/- through Debit Cards (RuPay/Visa/ MasterCard/Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets. Candidates belonging to SC/ST/PWD/Ex-Servicemen are exempted from payment of application fees.

**How to Apply SPMCIL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://igmhyderabad.spmcil.com from 10.04.2017 to 01.05.2017 thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date For Submission of Online Application : 10.04.2017
Last Date For Submission of Online Application : 01.05.2017
Date of Payment of fees in online mode : 10.04.2017 to 01.05.2017
Date of Online Examination : May/June 2017

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://igmhyderabad.spmcil.com/UploadDocument/JT_1-17_FINAL-04042017.9fb81387-9778-4e1d-ac1a-d3949788641e.pdf

**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/igmhjrtfeb17/

### National Agri-Food Biotechnology Institute – NABI Recruitment – 12 Management Assistant, Computer Operator & Various Vacancies – Last Date 29 May 2017

**NABI Recruitment 2017**

National Agri-Food Biotechnology Institute invites application for the post of 12 Management Assistant, Computer Operator & Various Vacancies. Apply before 29 May 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Job Details :**

Post Name : Management Assistant
No Of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 10000/- (Per month)

Post Name : Computer Operator
No Of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 10000/- (Per month)

**Eligibility Criteria for NABI Recruitment :**

Educational Qualification :
For Management Assistant : Graduate with minimum 3 years experience

For Computer Operator : Graduate degree in any discipline with diploma/certificate in computer application with three years of experience of data entry, office management or Graduate degree in Computer Science/Computer Application / IT or its equivalent from any recognized University/ Institute with one year experience in IT/Hardware/Software.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 30 year for Management Assistant & 28 years for Computer Operator

Job Location : Cochin (Kerala)

**Selection Process :** Selection will be through Interview.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft in favour of Executive Director, NABI.

**How to Apply NABI Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed Application form along with attested copies of certificates, testimonials in support of age, educational qualifications, experience, etc & super-scribing "APPLICATION FOR THE POST OF "___________" send to Manager Administration, National Agri-Food Biotechnology Institute, Sector-81, Knowledge City, SAS Nagar, Mohali, Punjab-140306 (India) on or before 29.05.2017.

**Important Dates to Remember :**

Last Date for Submission Of Application : 29.05.2017

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://www.nabi.res.in/Vacancies/Permanent/AdvtNo-1-2017/Advt.pdf

**Download Application Form :** http://www.nabi.res.in/Vacancies/Permanent/AdvtNo-1-2017/Form.pdf